# লৌমীশিংগী বোদিনা গভর্ণমেন্টদা সিয়াং তুরেলদা পায়খৎকদবা এম দল্লিয়ু ১০,০০০ গী হাইড্রো পৱার প্রোজেক্ট কেন্সেল তৌনবা তকশিনখ্রে

ইটানগর, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশকী ওর্গনাইজেসন অনীনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা সিয়াং তুরেলদা পায়খৎনবা প্রপোজ তৌরিবা মেগাৱাট ১০,০০০ গী হাইড্রো পৱার প্রোজেক্ট কেন্সেল তৌননবা তকশিনখ্রে।

করিগুম্বা প্রোজেক্ট অদু কেন্সেল তৌদবা তারবদি পাক শন্না প্রোটেষ্ট চত্থগনি হায়না সিয়াং ইন্দিজিনস ফার্মর্স ফোরম (এস আই এফ এফ) হায়না লৌমীশিংগী ওর্গনাইজেসন অমগা লোয়ননা ইন্দিজিনস রাইটস এদভোকেসি দিবাং (আই আর এ দি) না গভর্ণমেন্টদা কিহনখ্রে।

টিবেটতগী চেন্থরক্লিবা সিয়াং অসি অসামগী টিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টতা পুন্দুনা ব্রহ্মপুত্রা দাউনষ্ট্রিম শেল্লিবা তুরেল অহুমগী মনুংদা অমনি। গ্রুপ অনী অসিনা অরুনাচল প্রদেশ গভর্ণমেন্টবু ষ্টেট অসিগী লোকেল মীয়ামগা তান্নদনা অচৌবা দাম অমা শাননবা নেসনেল হায়ড্রো পৱার কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সি) গা এম ও য়ু অমা খুৎয়েক পীনখি হায়না মরাল শীখি।

এস আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট টাসিক পংকাম্না হায়খি, মদুদি সিয়াং রিভর বেল্টতা তারিবা অদি কম্যুনিটিনা মখোয়দা অকিবা পীগদবা অমদি মখোয়বু লৈফম লৈহল্লোইদৌরিবা অচৌবা প্রোজেক্ট অদু কৈদৌঙৈদসু য়ারোই।

মহাক্না চাকমা অমসুং হাজোং মীয়ামগী খুদম চাংদম পল্লদুনা মীওই কাঙলূপশিং অসি কুমজা ১৯৬০ মতুংগী চহী খরগী মতমদা বাংলাদেশতা পায়খৎখিবা কাইটাই হায়ড্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহনখিদে অমদি তঙাই ফদনা মখোয় ইন্দিয়াদা শৈদাংদুনা লৈখি হায়না ফোঙদোকখি।

দাউনষ্ট্রিম ভিলেজশিং ঈশিং থুমহনবগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশকী ট্রাইবেল কাঙলূপশিং ময়ুম মকৈ থাদোকহনগদৌরিবা মেগাৱাট ১০,০০০ গী প্রোজেক্ট অদুনা য়ুমথংনরিবা অসামবুসু চাওনা শোকহনগনি। ঐখোয়না অচৌবা দামশিং শেমগৎ শাগৎপগী মায়োক্তা চহী ১৩ চুপ্পা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি অমসুং ঐখোয়গী খোঙজং অসি ইরায় লাইনা হন্দোক্লোই হায়না পাংকম্না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মীয়ামগা তান্নরমগদবনি অমসুং পব্লিক হিয়ারিংশিং পাঙথোক্লমগদবনি।

সিয়াং প্রোজেক্ট অদু কেন্সেল তৌননবা ইন্দিয়াদা প্রেসর পীননবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নেপালদা পাঙথোকখিবা বিজিনেস অমসুং হ্যুমেন রাইটসকী ইভেন্টতা গ্লোবেল ইনভাইরনমেন্টেল এজেন্সিশিংগী মতেং লৌননবা মহাক্না হোৎনখিবনি।

মশামক উকিল অমসু ওইরিবা আই এফ এ দিগী মেম্বর ইগো মিলিনসু ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং এন ঐচ পি সিবু প্রপোজ তৌরিবা অতোপ্পা দাম অমা ওইরিবা মেগাৱাট ২,৮৮০ গী দিবাং মল্টি পর্পজ হায়ড্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্টকী ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট হায়দোক্তবগীদমক্তসু চৈ থাংখি।

মহাক্না মীয়ামদা গভর্ণমেন্টনা ফোরেষ্ট এরিয়া অমবু ৱাইল্ড লাইফ রিজার্ব অমদি প্রোটেক্টেদ এরিয়া অমনি হায়না লাউথোক্তুনা লম কন্ট্রোল তৌনবা অমদি ইনভাইরনমেন্টদা শোকহনগদবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবা হোৎনরক্লিবদু য়াদনবসু পাউতাক পীখি।






মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পর্ফোমিং আর্টস এন্দ কলচরেল আইদেন্টিটিগী ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা অতিঙাগী ৮ শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম

# হরাসমেন্ট পীবগী থৌওং নাগালেন্দগী পৱার ইঞ্জিনিয়রশিংনা কন্দেম তৌখ্রে

দিমাপুর, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

এসোসিএসন ওফ পৱার ইঞ্জিনিয়র নাগালেন্দ (এফ পি ই এন) গী মেম্বর অমদা হরাসমেন্ট পীখিবগী থৌওংবু এসোসিএসন অসিনা ইরাই নুমিত্তা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এন এস সি এন (য়ু) গ্রুপকী মীওইশিংনি হায়না ক্লেম তৌজবা লোগী মায়োক্তা লৈবা মীওই খরনা নাগালেন্দগী মোন টাউনদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সব-দিভিজনেল ওফিসর (ইলেক্ট্রিকেল) মোন থানয়ালো কাদপু হরাসমেন্ট পীখিবনি হায়রি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা এফপিইএনগী প্রসিদেন্ট কাসো চিসি অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এন নিংথুংঙো নুলিনা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা মওংদা মীয়ামদা ইসেন্সিএল সার্ভিস পীরিবা গভর্ণমেন্ট ওফিসর অমবু হাৎকনি হায়না কিহনবা অসি মরম চাদে অমসুং অসিগুম্বা থৌওং অসি এসোসিএসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

এফ পি ই এনগী মেম্বরশিংনা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্বু লেপ্পা নাইদনা মথৌদাংশিং পাঙথোক্তুনা থৌগল তৌদুনা লাক্লবসু অসিগুম্বা মীওইবগী মীনুংশি অমত্তা উৎতবা অমদি কা হেনবা থৌওং অসিবু এসোসিএসন অসিগী মেম্বর অমদা চত্থরক্লিবা অসি য়ানিংদে। এসোসিএসন্না মরাল লৈবশিং বুক তৌনবগী মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা লোগী মতুং ইন্না চান্নবা এক্সন লৌখৎননবা লো এনফোর্স্মিং এজেন্সিশিংদা আপিল তৌরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# গুৱাহাটিগী পুলিস কষ্টদিদা টোর্চর তৌখিবা মীওই অমা হোস্পিটলাইজ তৌখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

পুলিসকী কা হেনবা থৌওংশিং উৎপা অতোপ্পা থৌদোক অমদা অসাম পুলিসনা কা হেন্না ফু চৈখিবনি হায়বা নহা ওইরিবা মীওই অমা গুৱাহাটি মেদিকেল কলেজ হোস্পিটাল (জি এম সি ঐচ) তা এদমিট তৌখ্রে।

অমিট হালোই কৌবা নহা ওইরিবা মীওই অদুগী ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না হালোইবু গুৱাহাটিগী বেটাপরাদা লৈবা ময়ুমদগী ফাখ্রবা মতুংদা বাসিস্থা পুলিসনা মঙোন্দা থার্দ-দিগ্রি মেথদশিং চত্থখি।

পুলিস পর্সনেলশিংনা অমিটপু বাসিস্থা পুলিস ষ্টেসনদা বেটনশিং অমদি বেল্টশিং শীজিন্নদুনা ফুখি অমসুং মহাক ফিভম লুনা শোকখি হায়না ফেমিলি মেম্বর অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক সনা হুরানবগী কেস অমদা সম্পেক্ট অমা ওইখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা বাসিস্থা পুলিসনা মহাকপু দিটেন তৌখি।

ইমুংগী মীওই অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুপী পুলিস ওফিসর অমনা মহাকপু কয়ারক হন্না ফুখি। মঙোন্দা বেটাপরাদা লৈবা রিয়েল ইষ্টেট অমগী ময়ুমদগী হুরানখিবা সনা পুথোরক্লবা হায়রদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন মহাকপু ফুখিবনি হায়রি।

ফেমিলি মেম্বর অসিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি অমিট ফিভম থীনা শোকপদগী হৌজিক জি এম সি ঐচতা ট্রিটমেন্ট চত্থরি। পুলিস কষ্টদিদা কা হেন্না ফু চৈখিবদা মহাক মথবাক, মকোক অমসুং প্রাইভেট পার্টতা শোকখি। ইমুংগী মীওই অসিগী মতুং ইন্না অমিটনা ক্রাইম অমত্তা তৌখিবা লৈত্রবসু মঙোন্দা মীওইবদা চত্থগদবা নত্তবা শাথিরবা থৌওংশিং চত্থদুনা পুলিসনা ওৎ-নৈখি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা পুলিসনা হুরানবগী কেস অমগা মরী লৈননা অমিট হালোইগী ময়াম্বা মিথুন হালোইবু ফাখি অমসুং মহাকপুসু কষ্টদিদা তমথীনা ওৎ-নৈখিবনি।

# জল জিবন মিশন প্রোজেক্ট দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা সিএম শর্ম্মনা ওর্দর তৌখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

অসামগী চীফ মিনিষ্টর ডা. হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মনা থাংজ নুমিত্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম জল জিবন মিশনগী অহুমশুবা পার্টি ইন্সপেক্সন এজেন্সি অমসুং কন্ট্রেক্টরশিংগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।




মীফম অদু প্রগ যোতি আই টি এ সেন্টর ফোর পার্ফোমিং আর্টসতা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা অসামগী সিএমনা একজিক্যুটিং এজেন্সিশিংদা কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা থবক অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবা খঙহনখি।

একজিক্যুটিং এজেন্সিশিংগী মেম্বরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা সিএমনা হায়খি, মদুদি প্রোজেক্ট অদু মপুং ফানা লোইশিনবগী মতম কুমজা ২০২৪ গী মার্চ ৩১ দা ফিক্স তৌখিবা ওইরবসু কুমজা ২০২৩ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অদুদা প্রোজেক্ট অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবা অখন্নবা হোৎনগদবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈরিবা য়ুমথোং পুম্নমক টোটি পুশিলহন্দুনা সেফ ওইবা থক্লবগী তরু তনানবা ঈশিং মরাং কায়না ফঙহনবা হায়বসি জে জে এমগী মরু ওইবা পান্দমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না কন্ট্রেক্টরশিংদা অপীবা মতমগী মনুংদা মখোয়গী থবকশিং অদুগী লেমহৌরিবা শরুক অদু মপুং ফানা লোইশিন্নবগী ব্লু প্রিন্টশিং শেম শানবসু কন্ট্রেক্টরশিংদা খঙহনখি। অদুম ওইনমক মহাক্না থবক মপুং ফানা লোইশিনবগা ইরোয়ননা ক্বালিটিদসু মীৎয়েং থমগদবনি হায়বা ৱাফমসু পনখি।

# দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজকী মতাংদা খন্ননবা অসামদা ই সিগী টিম থুংখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই) গী মপুং ফাবা টিমশিং অসামদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবগীদমক নোংমাইজিং নুমিত্তা গুৱাহাটিদা থুংখ্রে।

অসামদা লৈরিঙৈ মনুংদুদা ই সি আইগী টিম অদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং সিভিল সোসাইটিশিং য়াওনা ষ্টেট অদুগী দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজকী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেক হোল্দরশিংগা খন্ন-নৈনগনি। চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর (সি ই সি) রজিব কুমার অমসুং কম্মিস্নরশিং অনুপ চন্দ্র পান্দে অমসুং অরুন গোয়লনা ষ্টেক হোল্দরশিংগা খন্নগনি হায়না অসামগী সি ই ও নিটিন খাদেনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, অসামগী এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী টেরিটরিএল বাউন্দরিশিং রিদ্রো তৌনবগীদমক্তা দিলিমিটেসন এক্সর্সাইজকী থবক অদু ইলেক্সন কম্মিসনদা শিন্নখিবনি।

ষ্টেক হোল্দরশিংনা দিলিমিটেসন প্রোসেস অদুবু হেন্না ইনক্লুসিব, পার্টিসিপেটরি অমসুং ট্রান্সপরেন্ট ওইহন্নবগীদমক্তা ইসিগা ইন্টরেক্ট তৌবগী খুদোংচাবশিং ফঙগনি হায়না অসামগী সিইও অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেক হোল্দর পুম্নমক্না ৱারী শানরবা মতুং ইলেক্সন কম্মিসনগী টিম অদুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মেদিয়াদা ব্রিফ তৌরবা য়াই হায়রি।

# 'রাহুলনা পিএমবু চেলেঞ্জ তৌখিবা লাইবক থীবনি'

শিল্লোং, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):

সুরটকী কোর্ট অমনা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীবু দিফেমেসন কেস অমদা কনভিক্সন পীখিবা মতুংদা মহাক্না পিএম নরেন্দ্র মোদিবু চেলেঞ্জ তৌখিবগী থৌওং অদু লাইবক থীবনি হায়না মেঘালয়গী সিএম কোনরাদ কে সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

কোর্টকী ভর্দিক্ট অদুগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা রাহুল গান্ধীবু লোক সভাদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবগী মতাংদা রিয়েক্ট তৌরদুনা কোনরাদনা হায়খি, কংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা কোর্টকী রুল্লিং অমসুং ই সি আইনা পীরিবা রুলশিং য়াখিদবা অসি লাইবক থীবনি। রাহুল গান্ধীনা পিএমবু এটেক তৌবগী মহুত্তা কোর্টকী ভর্দিক্ট অদু য়ারমগদবনি হায়না সংমানা সজেসন পীখি।



# CROSSWORD-3824

**ACROSS**
1. Young horse(4)
3. Castigate(8)
9. Disappointment(3-4)
10. Tosca, for example(5)
11. Alluring woman(5)
12. Distant(6)
14. Finally(4,3,3,3)
17. Burning fiercely(6)
19. Easily digested(5)
22. Scallywag(5)
23. Authentic(7)
24. Cooked egg dish(8)
25. Charitable donations(4)

**DOWN**
1. Punctuation mark(4,4)
2. Modify(5)
4. 112 pounds(13)
5. Tempest(5)
6. Reluctance to move(7)
7. Dutch cheese(4)
8. Part of the eye(6)
13. Conspirators(8)
15. Leaf vegetable(7)
16. Rectangle(6)
18. iPod manufacturer(5)
20. Interrogate(5)
21. Scandinavian capital(4)

Solution 3823



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-5122

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | | | | 8 | 6 |
| | 5 | | 8 | 2 | | | | |
| 7 | | 2 | | | | | | 4 |
| 5 | 7 | | 4 | 6 | | | | |
| | | | 2 | | 9 | | | |
| | | | | 5 | 8 | | 3 | 9 |
| 8 | | | | | | 6 | | 3 |
| | | | | 4 | 7 | | 1 | |
| 4 | 2 | | | | | 9 | | |

## Solution-5121

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 1 | 2 | 9 | 6 | 7 | 3 | 8 |
| 3 | 2 | 6 | 1 | 8 | 7 | 4 | 5 | 9 |
| 8 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 | 6 | 2 | 1 |
| 2 | 6 | 5 | 9 | 1 | 8 | 3 | 4 | 7 |
| 7 | 9 | 8 | 6 | 3 | 4 | 2 | 1 | 5 |
| 4 | 1 | 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 9 | 6 |
| 6 | 3 | 4 | 8 | 5 | 1 | 9 | 7 | 2 |
| 1 | 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 6 | 3 |
| 9 | 5 | 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 8 | 4 |

# EMPLOYMENT NEWS

## SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023 Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## RIMS IMPHAL RECRUITMENT 2023 FOR 54 NURSING OFFICER

Vacancy Circular No: -

Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Nursing Officer Recruitment 2023
Advertisement for the post of Nursing Officer in Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 28th March 2023. Candidates can check the latest Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment 2023 Nursing Officer Vacancy 2023 details and apply online at the aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment 2023 page.
Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ aiimsrishikesh.edu.in/. Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Nursing Officer
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 54 Posts
Educational Qualification: Candidates possessing at least PUC/ HSSLC or its equivalent qualification from a recognised University/ Board/Council and (ii) Diploma in General Nursing & Midwifery or equivalent qualification from a recognised Nursing school/Institute.
Pay Scale: INR Level-7 Per Month
Age Limit: 18-35 Years.
Application Fee: Bank draft of Rs. 500/- (Fees is exempted in respect of SC &ST categories) in favour of Director, RIMS, Imphal Payable at Imphal or Cash receipt from RIMS Cash counter.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
please refer to official notification.
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 28th March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

